# টেররিজম লাকশিন্নবা লোক সভানা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

লোক সভানা ঙসি অনলোফুল এক্টিভিষ্টিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে।

বিল অসিগী মতুং ইন্না টেররিজমগা মরী লৈনৈ হায়না চীংনবা মীওই অমবু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকপা য়ারগনি। ওপোজিসননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা পুখৎলকখিবা বিল অদু লোক সভাদা য়াম্না লায়না পাস তৌখি।

বিল অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা অমিত সাহনা হায়খি, টেররিজমগা মরী লৈনবা মীওইশিংসু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোক্লবগী থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, পাকিস্থান, চাইনা, ইজরেল অমদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননচিংবা মফম কয়ানা মান্নবা মখলগী এক্ট চৎনরিবা মরম্না টেররিজমগী চৈথেং ফংলিবা ইন্দিয়াদসু এক্ট অসি চৎনহনবা তঙাইফদে।

হাউসতা বিল অদু পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন হোমি মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেসনা এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তঃা য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোক্লমদাইদা এক্ট অসি কনানা চৎনহল্লম্বনো হায়বদু হন্না খন্থবা মথৌ তাই। মতম অমদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এলাইয়েন্স (য়ু পি এ)না লৈঙাক পায়রিঙৈদা এক্ট অসি পাস তৌদুনা চৎনহল্লম্বনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং হাউসতগী মপান থোকখি। কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনাহায়খিমদুদিঅনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এমেন্দমেন্ট বিলবু ষ্টেন্দিং কম্মিতি অমদা হান্না য়েংশিলহনবা তঙাইফদে। বিল অসি য়াওনা আর টি আই এমেন্দমেন্ট বিল অমদি ত্রিপল টলাককী বিলনচিংবা য়েৎননিংঙাই ওইবা বিল পুম্নমক জোইন্ট সিলেক্সন কম্মিতি অমদা হান্না থাদগদবনি হায়নসু পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইতেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম)গী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ও ৱাই সিনা বিল অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা হায়খি, কোংগ্রেসনা মরম ওইরগা বিল অসি মমাঙদা পাস তৌখিবনি। লৈঙাক পায়রিঙৈদা কোংগ্রেসনা পাস তৌখিবা বিল অমা হৌজিক্তদা ওপোজিসনদা লৈরবা মতমদতা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগী থৌওং অসি ভোট ফংনবগী খুদোংচাবা লৌবনি হায়রি।

অমরোমদা, মরু ওইবা বিল কয়া স্ক্রুতিনি তৌনবগী খুদোংচাবা পীবিদে হায়বগীদমক কোংগ্রেসনা পার্লিয়ামেন্ট মীফম বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে। য়ু পি এগী চেয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধিনা হায়খি, য়েৎননিংঙাই ওইবা বিল পুম্নমক কম্মিতি অমদা হান্না খুৎশিন্দুনা য়েংশিলহল্লবা মতুংদা লোক সভাদা কোন্না অমুক পুথোক্কদবনি।



# আধারনা শক্তাকচে ওইনা শীজিন্নরগা সবসিদি স্কিমগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

ষ্টেটনা পীবা সবসিদি স্কিমশিংগী খুংদোংচাবা লৌবদা আধারবু শক্তাকচে ওইনা শীজিন্নবা য়াহন্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম্না আধার এন্দ আদর লো (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ শেমদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখি। মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক আধার কার্দ পায়বা মীওই ক্রোর ১২৮ লোম লৈবা মরম্না এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌরকপা তারবদি মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

অমরোমদা, কেবিনেট কম্মিতি ওন ইকনমিক এফেয়ার্সনা কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা সুগর কেন ফেয়র এন্দ রিম্যুনরেটিব প্রাইস (এফ আর পি) ক্বিন্টলদা লুপা ২৭৫ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা হায়খি, লাক্লিবা ওগষ্ট ১দগী হৌরগা মথং চহীগী জুলাই ৩১ ফাওবা চিনি লাখ মেত্রিক টন (এল এম টি) ৪০ বফর ষ্টোকতা লৈহন্নবা ৱারেপ লৌরে। হিরম অসিগী মতাংদা লুপা ক্রোর ১,৬৭৪ চাদিং তৌরগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক কৈথেলদা পীরিবা মমল অমসুং ষ্টোক্তা লৈরিবা চিনিগী ফিভম য়েংলগা দিপার্টমেন্ট ওফ ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসননা মতাং মতমগী ওইনা হোংদোক হোংজিন তৌগনি হায়নসু ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রাদকাষ্টিং মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম্না নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মাইনর্স হেল্থ (এন আই এম ঐচ) মুত্থৎলগা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ওক্যুপেস্নেল হেল্থ (এন আই ও ঐচ)কা পুনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

এন আই এম ঐচপু এন আই ও ঐচতা মর্জ তৌশিনবগা লোয়ননা ইমপ্লোইয়ি পুম্নমকসু ফম চপ মান্নবা অমদি পে স্কেল ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। এন আই এম ঐচনা এন আই ও ঐচতা পুনশিনবগী থৌওং অসিনা ইন্সটিট্যুট অনীমক্তা কান্নবা ফংহনবগা লোয়ননা শেল-থুমগী ফিভমসু ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়রি। কুমজা ১৯৯০দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লিংখৎখিবা এন আই এম ঐচনা কর্নাটকা সোসাইটিজ রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৯৬০গী মখাদা সোসাইটি অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী রেজিষ্টর ওফিস কর্নাটকাগী কোলার গোল্ড ফিল্ডদা লৈ। সেন্ট্রেল লেবরেটোরিনা নাগপুরদা লৈ। ইন্সটিট্যুট অসিনা ওক্যুপেস্নেল হেল্থ অমদি হায়জিনগী মরমদা রিছার্স তৌবগা লোয়ননা মাইনিং অমসুং মিনরেলদা বেজ তৌবা ইন্দষ্ট্রিদা টেক্লিকেলগী ওইবা মতেং পাঙদুনা লাকখি।



# কর্নাটকাদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা তারবসু পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম লৈখিগনি ঃ ঐচ দি কুমারস্বামী

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না করিগুম্বা কর্নাটকাদা লৈঙাক পায়কপা তারবসু মখা তানা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম লৈখিগনি হায়না কেয়র টেকর চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামীনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবসু পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম কোকহনবা ঙমখিরোই। অদুম ওইনমক ওফিসলশিংনা পোলিটিকেলগী চরাংনবা মরক্তা মথৌ মশক খঙনা পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদসু লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখি।

পাঙ্গল চাংয়েংদা চুংশিন্নবা লৈঙাক্না মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী লুচিংবা বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগী ক্লেম তৌগদৌরি। ঙরাং পাঙথোকখিবা থাজবগী মোসনদা ঐচ দি কুমারস্বামীনা লুচিংবা কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী চুংশিন্নবা লৈঙাক মায়থীবা ফংখ্রবনি।

এসেমব্লীগী এম এল এ ৯৯না লৈঙাক শৌগৎতুনা ভোট পীরকপদা এম এল এ ১০৫না লৈঙাক্কী মায়োক্তা ভোট পীখি। এম এল এ ১৫ ফম থাদোকখিবদগী তঙাইফদনা এসেমব্লীদা থাজবগী ভোট লৌনখিবনি। পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্লমদাইদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ৱার্কর মশেল খুৎ থোক্লরকপদগী বেঙ্গলুরু অমদি মসিগী অকোইবদা সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

চৈরকসিদা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর রেনুকা চারিয়ানা স্পিকর কে আর রমেস ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রে। ঐচ দি কুমারস্বামীনা লুচিংবা লৈঙাক্না হাউসতা মেজোরিটি উৎপা ঙমখিদ্রবা মরম্না স্পিকর ফম থাদোকপা মথৌ তাই।

কোংগ্রেস অমসুং জে দি এস কী চুংশিন্নবা লৈঙাক্না থাজবগী ভোট লৌনবদা মায়থীখ্রবসু বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা লৈঙাক পায়নবা ক্লেম তৌবা লৈত্রি। বি জে পিগী লুচিংবা বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা আর এস এসকী অয়াবা লৌরবা মতুংদা লৈঙাক্না শেম্নবা ক্লেম তৌগদৌরি।

হৌজিকমক্কী ওইনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগদগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রবসু পার্টি অসিগী লুচিংবা য়েদিয়ুরপ্পানা লুংচিবা লৈঙাক অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলক্কদৌরি। হিরম অসিগী মতাংদা অহুল্লক চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লবা য়েদিয়ুরপ্পানা পাউমীশিংদা হায়খি, পার্টিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা অয়াবা পীরক্ত্রিবা মরম্না হৌজিমক্কী ওইনদি চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী মতাংদা ক্লেম তৌখিরোই।



# কাস্মিরগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎ থিংজিল্লকপগী ৱাফম লৈরোই ঃ রাজনাথ



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

কাস্মিরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মতেং নীরক্লে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লিঙৈগী চৈরক্তা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে মদুদি কাস্মিরগী মথংদা মপান লৈবাক্না খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈরোই।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লোক সভাদা ৱা ঙাংখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা জপানদা উনখিবা মতমদা কাস্মিরগী ৱাফম খন্নখিবা লৈতে। হিরম অসিদা অতোপ্পা লৈবাক্না খুৎ থিংজিল্লকপগী ৱাফম লৈরোই। ওপোজিসননা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মতুং তারকপদা করিগুম্বা পাকিস্থানগা ৱারী শান্নবা থোক্লবদি পাকিস্থান ওক্যুপাইদ কাস্মিরগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি।

য়ুনাইদেটস ষ্টেটসনা কাস্মিরগী মতাংদা খুৎ থিংজিল্লক্কদব লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কাস্মিরগী ৱাফম অসি সিমলা এগ্রিমেন্টকী মতুং ইন্না ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবনি। অদুম ওইনমক পাকিস্তানগা ৱারী শান্নবা থোক্লবদি পাকিস্থাননা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা কাস্মিরগ মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি।

ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনদি হিরম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না শেংদোক ৱারোল পীগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী মহুৎ শীল্লগা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওপোজিসনগী মেম্বর পুম্নমক হাউসতগী মপান থোকখিরম্মী।

পনবা য়াবদি, কাস্মিরগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতেং পাঙবীনবা হায়জরক্লে হায়বা ৱাফম অমা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকপা লৈখ্রিবনি। মদুনা মরম ওইরগা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকখি।

# ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন শেমদোক শেমজিন তৌবা ঙল্লোই

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

পাব্লিক সেক্টর কম্পেনিনা শেমগৎখিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) শেমদোক শেমজিন তৌবা ঙল্লোই হায়না লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা অইবা ওইনা পীখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ই ভি এম শেম শাবগী থবক্তা মপান লৈবাক্কী কম্পেনি অমত্তগা খুৎশম্নবা লৈখিদে। ভারত ইলেক্ট্রোনিক লিমিদে অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্স কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিদেটনা ইলেক্সন কম্মিসনগী টেক্লিকেল এক্সপার্ট কম্মিতিগী মীৎয়েং খাদা শেমখিবা মরম্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ঈ ভি এমগী দেটা হোংদোক হোংজিন তৌবা ঙল্লোই।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখল ময়াদা তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ই ভি এমগী মতাংদা চিংনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হান্নগী মতৌগুম মীখলদা বেলোট পেপর শীজিন্নগদবনি হায়না তকশিনখি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, টেক্লিকেল এক্সপার্ট কম্মিতিগী মীৎয়েং খাদা ইন্দিয়াগী কম্পেনি অনীনা চেকশিন্না শেম শাখিবা মরম্না ই ভি এমগী দেটা শেমদোকপা ঙল্লোই।

# বিহার অমসুং ঝরখন্দদা বর্জ তাবদা মীওই ২৩ শীখ্রে

পটনা/রাঞ্চি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

বিহার অমসুং ঝরখন্দদা বর্জ তারকপদা মীওই ২৩ শীরে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

বিহারগী ওইনা ঔরঙ্গবাদ, ইষ্ট চম্পরন অমসুং ভগলপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১৩ শীখি। ঝরখন্দগীনা জমটারা, রামগর অমসুং পাকুর দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১০ শীখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদগী হৌনা ষ্টেট অনীগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা বর্জ তারকখিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা, মহানন্দ, গন্দক অমসুং কোসি তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা বিহারদা হৌজিকসু ঈচাওগী ফিভম লুনা লৈরি।





ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১০৪ শীখ্রে।

নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম ২৬না ষ্টেট অসিদা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলি। মোটোরবোট ১২৫ অমদি হেলিকোপ্টর কয়া শীজিন্নদুনা ঈচাওগী অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট ১২গী ব্লোগ ১০৫দা ঈশিং থুমজিনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্না রিলিফ কেম্প ৮১ হাংদোকখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা কম্যুনিতি কিটচন ৭১২ হাংদোক্লে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মধুবনি দিষ্ট্রিক্টকী নারুর খুঙ্গংদা ঈচাওনা মরম ওইরগা য়ুম ৫০ হেন্না অমাং অতা থোক্লে। এন দি আর এফ অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেপোন্স ফোর্সনা মতেং পাঙবগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা ইমুং খুদিংমক্তা লুপা লিশিং ৬ তেঙবাং ওইনা পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা দাইরেক্ট বেঙ্ক ট্রান্সফরগী খুথাংদা ইমুং লাখ ৩ হেনবদা লুপা ক্রোর ১৮১ মতেং পাঙখ্রে হায়রি।

# মতম লোইরদুনা পোথাখ্রবা মেম্বর ৫দা কায়না য়াথং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

মতম লোইরদুনা পোথাখ্রবা রাজ্য সভাগী মেম্বর ৫দা ঙসি কায়না য়াথং পীখ্রে।

রাজ্য সভাদগী পোথাখ্রবা মেম্বরশিং অদুদি টামিল নাদুগী ভি মাইত্রেয়ান, দি রাজা, কে আর অর্জুনন, আর লাক্ষ্মনন অমসুং টি রতিনাভেলনি। দি রাজা নত্তনা অতৈ মেম্বর পুম্নমক এ আই এ দি এম কেগী মেম্বর ঙাক্তনি। রাজাদি সি পি আইগী মেম্বরনি।

রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন এম ভেঙ্কয়ানাইদুনা হায়খি মদুদি মতম লোইরদুনা হাউসতগী পোথাখ্রবা মেম্বরশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি ঙাক্না মথৌ পাঙথোক্লম্বগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিতি কয়াদসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী।

ওপোজিসন লিদর গুলামনবি অজাদনা হায়খি, মশামক ওনকোলোজিগী স্পেসলিষ্ট অমা ওইবা তারবসু পোলিটিক্সতা খোঙদারক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা মাইত্রিয়াননা মীয়ামগীদমক লৌরম্বা থৌদাং শীংথানিংঙাইনি। সি পি আইগী দি রাজানা হাউসকী থবক থৌরম কয়াদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লেজিসলেসন খুদিংমক্কা মরী লৈননা মরু ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকলম্মী হায়নসু মহাক্না শীংথাখি।

# ওগষ্ট ২০দা চন্দ্রয়ান-২ থা লৈবাক্তা থুংলুরগনি ঃ আই এস আর ও

চেন্নাই, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

থা লৈবাক্তা থাগৎখিবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা স্পেস ক্রাফ চন্দ্রয়ান-২ ওগষ্ট ২০দা থুংলুরগনি হায়না ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ২২দা জিওসিনক্রোনস সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল-মার্ক এস ৩না চন্দ্রয়ান-২ পুখৎলগা থা লৈবাক তম্না খোঙশানখিবনি। স্পেস ক্রাফ অসিদা মথং অহুম য়াওই। অহানবা মথাংদা কিলোগ্রাম ২,৩৭৯ লুম্বা ওর্বিটর, অনীশুবা মথাংদা কিলোগ্রাম ১,৪৭১ লুম্বা লেন্দর অমসুং অহুমশুবা মথাংদা কিলোগ্রাম ২৭ লুম্বা রোভর অমা য়াওই।

লেন্দরনা চন্দ্রয়ান-২দগী পায়থোকখ্রগা থাগী সাউথ পোলদা থুংলুগনি। ওগষ্ট ১৪দা মতৌ অসুম্না থা লৈবাক তম্না পায়শিনবগা লোয়ননা ওগষ্ট ২০দা থুংলুবা য়াই হায়না আই এস আরনা ফোঙদোকখি। সেপ্টেম্বর ৭তা লেন্দরনা থাগী লৈমায়দা তারুগনি।



ময়েক্কীদি জি এস এল ভি-এম কে ৩না জুলাই ১৫দা চন্দ্রয়ান-২ পুখৎলগা থা লৈবাক্তঃা চৎনবা থৌরাং তৌরম্বনি। টেক্লিকেলগী ওইবা অশোইবা খরা লৈবদগী জুলাই ২২ ফাওবা থা লৈবাক্কী খোঙচৎ অদু য়ৈথোকপা তাখি। মদুনা মরম ওইরগা মিসনগী সেদ্যুলদা অহোংবা খরা লাকখি।

চন্দ্রয়ান-২ মায় পাক্না থাগৎখিবগী থৌওং অদুবু চাইনানা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি চাইনানা ইন্দিয়াগা খুৎশম্নদুনা তোঙান-তোঙানবা স্পেস মিসন কয়া পায়খৎপা পাম্মী। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা স্রিহরিকোটাদগী চন্দ্রয়ান-২ থাগৎখিবগী থৌওং অদু স্পেসকী লমদা থিজিন-হুমজিনবগী মতাংদা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়নসু চাইনানা ফোঙদোকখি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা স্পেস অমসুং থা লৈবাক্কী মরমদা কুপ্না থিজিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। হিরম অসিদা চাইনা অমদি ইন্দিয়ানা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নবা তারবদি নাকল অনীমক্তা কান্নবা ফংগনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স মেননা ফোঙদোকখি।

থা লৈবাক্কী মরমদা কুপ্না থিজিন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া, ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তোঙান-তোঙানবা মিসন কয়া চত্থনবা হোৎনরি। হন্দক থাগৎখিবা স্পেস ক্রাফ অদু হল্লক্লবা মতুংদা চহী ৫ লৈরগা থা লৈবাক্তা অমুক হন্না অনৌবা স্পেস ক্রাফ অমা থাগৎনবা থৌরাং তৌরি।

চাইনাগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা স্পেসকী মিসন কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা কুমজা ২০২২ ফাওবদা মশাগী ওইবা স্পেস ষ্টেসন অমা শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। মমাঙ থাদা ইন্দিয়ানা গগনয়ান কৌবা মশাগী তোখাইবা ইন্টর্নেসনল স্পেস ষ্টেসন অমা শেম্বগী ৱাফম লাউথোকপা লৈখ্রবনি। মতুং তারকপদা লৈবাক অনীনা থা লৈবাক্তা মীয়াওবা স্পেস ক্রাফ থাগৎকনি হায়রি।

# ‘মোব লিঞ্চিংগী থৌদোক মশিং হন্থরক্লে’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা মোব লিঞ্চিংগী থৌদোক মশিং হন্থরক্লে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যোর্স জি কিসন রেদিনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং পাউখুমগী মতমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হিরম অসিগী মতাংদা হকচিন্না লৌবা মরম্না লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা মোব লিঞ্চিং থোকহন্দনবা হোৎনদুনা লাকখি। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফংবা দেটা মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা মোব লিঞ্চিং থোকখিবগী পাউ ফংবা লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাগী ওপোজিসন লিদর গুলামনবি অজাদনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৫গী মনুংদা দলিট অমসুং মশিং য়ামজদবা কাংলুপকী মীওইশিং ফুবা অমসুং হাৎপগী থৌদোক তোইনা থোকখি। হায়রিবা থৌদোকশিং অদু টেলিভিজনদা উৎলক্ত্রবসু সোসল মিদিয়াদা শন্দোরকপা মরম্না মীপুম খুদিংমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি।



তুংদা রাষ্ট্রিয়া জনটা দল (আর জে দি)গী মনোজ কুমার ঝানা মুজাফরনগরদা কাংলুপকী খুৎ থোক্লবা থৌদোক্তা মরী লৈননা হায়খি মদুদি কম্যুনেল রায়টতা চৈন্নে হায়দুনা ফাখিবা মীওই ৪০ মরাল লৈরমদবা মরম্না থাদোকখ্রে।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জি কিসন রেদিনা হায়খি, লৈঙাক্না কাংলুপকী হাৎনা শুনবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। জেরো আৱার মতমদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০১৮দা কাংলুপকী খুৎ থোক্লবা থৌদোক ৭০৮ থোকখি। মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনবদা থৌদোক থোকপগী চাং হন্থরক্লে। কুমজা ২০১৩দদি কাংলুপকী খুৎ থোক্লবা থৌদোক ৮২৩ থোকখিবনি।

হান্না অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক থোরকপা মতমদা কর্ফ্যুগী অথিংবা থমজিন্দুনা মীচম মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লম্বা তারবসু হৌজিক্তি কর্ফ্যু থমজিন্দুনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনবগী থৌওং চত্থদ্রে।